ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Hueiyen Lanpao

## সন্তোশ ট্রোফি : মণিপুর গোৱাগী মখূৎতা মায়থীখ্রে ফাইনেলদা সর্ভিসেস অমসুং গোৱা থেংনরগনি

**ইটানাগর, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):** অরুনাচল প্রদেশতা হৌজিক চথরিবা ৭৭লক শুবা সন্তোশ ট্রোফিগী ওইনা ঙসি মণিপুর (ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন) অমদি গোৱাগা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচতা গোৱানা মণিপুরবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। ফাইনেলদা গোৱানা সর্ভিসেসকা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি নুমিদাং পুং ৭ তাবদগী হৌরগা য়ুপিয়াদা লৈবা গোল্ডেন জুবিলী ষ্টেদিয়মদা মণিপুর অমসুং গোৱাগী মরক্তা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং হেনবগা লোয়ননা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১৬শুবা মিনটতা মণিপুরগী ঙাংবম পাচানা কাওরকখিবা ফজরবা লোং শোট অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।



অনীশুবা হাফকী ওইনা গোৱাগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হান্নদগী হেন্না অকনবা মওংদা শান্নরকখি অমদি অনীশুবা হাফকী ওইনা মণিপুরবু গোৱানা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মণিপুরগী হৈ-শিংলবা শান্নরোয়শিংনা গোৱাদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবদি পীখিদে। মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবা গোৱানা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইম শান্নখিবা অদুগী ৯৫ শুবা মিনটতা গোৱাগী নেসিও এম ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রোদা লৈখি। মদুগী মতুং রেফরিনা এক্সট্রা টাইম ওইনা পুংখায় অমগী মতম পীদুনা মখা তানা শান্নহনখি। পুংখায় অমা মতম পীদুনা শান্নখিবা অদুগী লোইগদবা শুপ্নতগী মিনট ৩ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা গোৱাগী এম ফর্নান্দেজনা অমুক হন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মণিপুরবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা সর্ভিসেস অমসুং মিজোরামগী মরক্তা শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা সর্ভিসেসনা মিজোরামবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ট্রোফি অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

সর্ভিসেসকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২১শুবা অমসুং ৮৩শুবা মিনটতা মথংশিংনা রাহুল রামকৃষ্ণন অমসুং বিকাশ থাপানা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা মিজোরামগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা মালচোম ফেলানা চনখিবনি।

### অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

## মোদেল চীংঙামখা অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেম্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা মোদেল চীংঙামখানা য়ু সী সী (ব্লু) উরিপোক অদুগা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ মায়থীবা পীখ্রে।





মোদেল অমসুং য়ু সী সী (ব্লু)গী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস য়ু সী সী (ব্লু)না ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা য়ু সী সী (ব্লু)না বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী অয়াম্বা বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নতগী রন ৯২ খক্তমক লৌবা ঙমখি। মোদেলনা টার্গেট রন ৯৩ লৌবা ঙম্লবগীদমক বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবা সুরেশনা বোল ৩৮দা রন ৬৬ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ১০.৫ শুরকপদা ৱিকেট ২ তুরগা মোদেলনা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ৯৪ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মোদেল চীংঙামখানা ৱিকেট ৮দা মায় পাকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা মোদেলগী সুরেশনা তাখি।

অমরোমদা সাইক্লোন অমসুং ঈ এস য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সাইক্লোননা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা বোলরশিংগী এটেক হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৮০ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা সাইক্লোনগী বেটসমেন শশিকুমারনা বোল ৪৭তা রন ৭১ লৌবা ঙমখি।

ঈ এস য়ুনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা চাংচৎতা শান্নবা ঙম্লবসু বেটসমেন অয়াম্বনা রন লৌবগী চাং নেমখিবদগী ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪০ খক্তমক লৌখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোননা রন ৪০দা থোইখিবনি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা সাইক্লোনগী শশিকুমারনা তাখি।




## তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):** মমাং থাগী ২৯দগী হৌরগা থা অসিগী ৫ ফাওবা রসিয়াদা পাঙথোকখিবা মোস্কো রুশু ষ্টারস ইন্টরনেসনল রুশু চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয় অনী ঙসি এয়রপোর্টতা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

ঙসি তরাম্না ওকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর ১৩দগী খ্বাইরাকপম জিটেশ অমসুং তৌপোকপীদগী হৈনাম প্রভাবতিনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা প্রভাবতিনা কেজি ৬০গী সান্দাদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি। অদুগা খ্বাইরাকপম জিটেশনা কেজি ৫২গী সান্দাদা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট রুশু এসোসিএসনগী এদভাইজর শিফু নোরেন্দ্রো, জেনরেল সেক্রেটরি কে সুর্জিৎ অমদি য়াসকী রুশু কোচ মোইরাংথেম রোনেল এন আই এসসু শরুক য়াখি।

## এসোসিএসনগী ওফিসতা লাক্লবা খঙহল্লক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):** কুদো ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মে থাগী ২৫দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা গ্রীন হিলস কোলেজ ওফ ইঞ্জিনীয়রিং গান্ধীগ্রাম, হিমাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীরকশুবা কুদো নেসনল চেম্পিয়নশিপ কপ ২০২৪দা শরুক য়ারুগদবা সেলেক্সন ফংলবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা লাক্লবা কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

## সী কে সী (এ)না ওরিয়েন্টেল ক্লব থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):** ঙরাংদগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরিগী শান্নবুংদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি সী কে সী (এ) অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী কে সী (এ)না ওরিয়েন্টেল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

সী কে সী (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু সবির অহমদনা ১৬, ১৮ অমসুং ২৫শুবা মিনটতা চনখিবনি। অদুগা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ৪ অমসুং ২৭শুবা মিনটতা হানিফ অহমদ অমসুং অবাজনা চনখিবনি।

অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা অনন্দমোয়ি ক্লবনা ৱাই দব্লিয়ু এবু পাঞ্জল ৪-০দা অদুগা সনরাইজ ক্লবনা এন ঈ সী (বি) বাবুপারাবু পাঞ্জল ১৭-০দা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা ঈচেল ক্লব অমসুং কে এম ৱাই সী অদুগা অনীশুবা মেটচতনা এল ঈ সী (এ) অমসুং কে ৱাই সী লম্বা তৌনগনি।





মমি ৱারী

### পিন্টু ওইনাম

### মাই স্কুল ইজ মাই সেকেন্দ হোম






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com